# সাউথ অসাম, মিজোরাম অমসুং ট্রিপুরাদা চানবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা মায়োক্নবা হৌরে



দিমা হাসো, জুন ০৪ (এজেন্সি): মমাং থাদা নোং লেপ্তুনা চুখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেট খরদা ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা রেলৱে ট্রেকশিং অকায় অতোয় থোকহনখিবদগী চানবা পুবা ট্রেনশিং চঙলকপা য়াদনা লৈখিবা অমদি এফ সী আইনা খুদক্কী ওইবা পোলিসি শেমদুনা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎলক্তবদগী সাউথ অসাম, মিজোরাম অমসুং ট্রিপুরাদা লৈরিবা মীওইশিংনা চানবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংলক্তবগী অৱাবা মায়োক্নবা হৌরক্লে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না, হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি এফ সী আইনা খঙলবসু খঙশিন্নদবা শাদুনা লৈরি। নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট অমসুং প্রধান মন্ত্রি গরিব কলয়ান য়োজনাগী মখাদা লাইরবা মীয়ামদা ফংহনগদবা চানবা মরু মরাংশিং ফংহন্দবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মতম খরগী মতুংদা চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নবা য়ানা লৈরে। অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা এফ সী আই গোদাউনশিংদা মরু মরাং চিংনবা এফ সী আইনা টেন্দর কৌখ্রে হায়রবসু হৌজিক্কী ওইনদি ফাইনেল তাবা ঙমদ্রি। হৌজিক্কী ওইনদি গুৱাহাটিগী মতাইথংবা শরুক্তা লৈরিবা চাংসারি দিপোটতগী এফ সী আইনা চানবা পোৎলমশিং সপ্লাই তৌরি। অসামদা লৈরিবা এফ সী আই দিপোট খুদিংমক্তগী চানবা পোৎলমশিং সপ্লাই তৌগদবনি। মসি নৎত্রবদি ঈচাওনা অৱাবা তাহনখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং চাবা ফংলোইদবগী ফিভম অমদা লাক্লি।

অসামগী বরাক ভেল্লি অমসুং দিমা হাসো দিষ্ট্রিক্ট ফাওনবা লম্বী অমদি অতোপ্পা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট ট্রিপুরা অমসুং মিজোরামগা ফাওনরম্বা লম্বীশিংসু হৌজিক্কী ওইনদি ফাওনবা য়াদনা লৈরি। অসাম অমসুং মেঘালয়াদা লৈবা ট্রেন লম্বী কয়া ঈচাওনা অমাঙ অতা থোকহনখি। দিমা হাসো দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি রেলৱে ট্রেকখক্তা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী কয়াসু ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখিবদগী য়াম্না খুদোংচাদবা ফিভম অমদা লৈরি। মরম অদুনা এফ সী আইনা অথুবা মতমদা চানবা মরু মরাংশিং সপ্লাই তৌবা মথৌ তারি।



ফিট ইন্দিয়া কেম্পেন কম্মিটি অমদি ফিট ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বাই সাইকল দেগী শক্তম

## তুরেলদা বোলেরো তাশিনবগী থৌদোক্তা মীওই ৪ শিরে

গেংটোক, জুন ০৪ (এজেন্সি) : নোর্থ সিক্কিমদা ঙরাং কোয়বা চৎপা বোলেরো অমা তুরেলদা তাশিনবগী থৌদোক্তা বোলেরো অদুদা তেংলকখিবা মীওই মরি শিখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না, থৌদোক অসি ঙরাং মঙান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মেয়োং খোলাদা থোকখিবনি। মফম অসিদা চেল্লিবা মেয়োং খোলা তুরেলদা বোলেরো অদু থৌরক্লিবা মীওই অদুনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী তাশিনখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি বিহারদগী রামেস চন্দ্র বর্ম (২৮) অমসুং ভন্দনা (৩২) নি। অদুগা অতোপ্পা অনী অদুনা সিক্কিমগী চুংথাং বজারদগী সোনম লেপচা (৩৮) অমসুং লাকপা দোর্জি লেপচা (২৮) নি। মখোয়না থৌরকখিবা বোলেরো অদু প্রাইভেট কম্পনি অমগীনি। অশিবা হকচাংশিং অদু পুলিসনা লৌখৎলবা মতুং এগজামিন তৌনবগীদমক হোস্পিটালদা থমখ্রে হায়রি।

## ট্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক শাহ অহানবা ওইনা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইরগনি

অগরটালা, জুন ০৪ (এজেন্সি) : থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রিপুরাগী এসেমব্লি সেগমেন্ট মরিগী বাই ইলেক্সনদা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা মনিক শাহ অহানবা ওইনা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইরগনি হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুনশিংনা হায়রি।



হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ওইলেক্সন অসিদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা রুলিং পার্টি বি জে পিনা ওপোজিসনদা লৈরিবা সী পি আই-এমনা লুচিংবা লেফ্‌ট ফ্রন্ট, কোংগ্রেস অমদি ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীরেপশিংগা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সন অসি মথং চহীগী মার্চ থাদা ষ্টেট অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী সেমি ফাইনেল মেটচ অমগুম্বনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সন অসিগা মরী লৈননা বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয় নাবেন্দু ভট্টচার্জিনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা মফম থাদোকখ্রবা মতুং মমাং থাগী ১৫ দা মনিক শাহবু ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা খনখিবনি। টাউন বোরদোৱালিদগী মনিক শাহ মীরেপ ওইনা থোক্লবা য়ানা লৈরি।

মশাগী চহী ৬৩ শুরবা কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওরকখিবা সিনিয়র পোলিটিসিয়ন অসিনা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিস কুমার শাহগা লম্বা তৌনগনি। অসিস কুমার অমদি মনিক শাহ মতম কয়াগী মমাংদগী য়াম্না লুনা তিন্নরকখিবনি। ৱাখল্লোন মান্নদবা খরা লাকপদগী তোঙান তোঙানবা পার্টিদা য়াওনখিবনি হায়রি।

বি জে পি ট্রিপুরা য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অমদি রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরিবা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনষ্টর কেন্দিদেট ওইরবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লরবসু সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা মখোয়গী কেন্দিদেটশিংগী মমিং লাউথোকপা লৈত্রি। নোংমাইজিং নুমিত্তা কেন্দিদেটশিংগী মমিং লাউথোক্লগনি। কোংগ্রেস অমদি ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী ওইনদি ঙসি মখোয়গী কেন্দিদেটশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে হায়রি।

## এন ঈদা রেলৱেজনা ক্রোর ৯৫,২৬১ ইনভেষ্ট তৌগদৌরি



গুৱাহাটি, জুন ০৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী কেপিটেলশিং শম্নহন্নবগীদমক নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেজনা লুপা ক্রোর ৯৫, ২৬১ ইনভেষ্ট তৌদুনা অচৌবা প্রোজেক্ট ২১ পায়খৎনবা খন্নখ্রে হায়রি।

অহানবগী ওইনা লাক্লিবা কুমজা ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা মিজোরাম, মণিপুর অমসুং মেঘালয়াগী কেপিটেলশিং ফাউনহন্নবা পান্দম থল্লি অদুগা লাক্লিবা কুমজা ২০২৬ ফাওবগী মনুংদনা নাগালেন্দগী কোনুং কোহিমাগা শম্নহন্নবা টার্গেট থল্লি। অসামগী মরুওইবা সীটি গুৱাহাটি, ট্রিপুরাগী কোনুং অগরটালা অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী কোনুং মনাক নক্না লৈরিবা নহরলাগুনদি হান্ননা রেলৱে নেটৱার্ককী মতেংনা শম্নহনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এন এফ রেলৱেজগী চীফ পব্লিক রিলেসন্স ওফিসার সব্যাসচিনা ফোঙদোকখিবদা, হায়রিবা প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎনবগীদমক হৌজিক্কী ওইনা লুপা ক্রোর ৫১,৭৮৭ এল্লোকেট তৌখ্রে। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইনা মমাং মতমদা কায়থোরকখিবা শেনফমগা য়েংনরুবদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি। ইম্ফাল অমসুং আইজোল ফাওননবা ট্রেন লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। শিল্লোংগা ফাওননবা ট্রেন লম্বীসু অথুবা মতমদা শেম্বা হৌগৎলগনি। নোর্থ ইষ্টতা রেল কন্নেক্টিভিটি মপুঙ ফানা লৈহন্নবগীদমক লৈঙাক্না অকনবা মওংদা হোৎনরি।

হৌখিবা চহী ৮ অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা রেলৱে নেটৱার্ক মপুঙ ফানা লৈহন্নবগীদমক অহেনবা শেনফম কয়া থাদরক্লি। এন এফ রেলৱেজকী মায়কৈদগীসু অথুবা মতমদা রেলৱেল প্রোজেক্টশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়না সব্যাসচিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বি জে পিনা এন দি পি পিগা মখা তানা অফবা মরী থমখিগনি

দিমাপুর, জুন ০৪ (এজেন্সি): লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নগালেন্দ ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা হান্নগুম নেস্নেলিষ্ট দিমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টি (এন দি পি পি) গা অফবা মরী মখা তানা থমখিগনি হায়না নগালেন্দ বি জে পিগী প্রসিদেন্ট তেমজেন ইমনা অলোংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পি অমসুং এন দি পি পিগী এলাইন্স লৈখি। মতম অদুদা৪০:২০ গী সিট শিয়রিং বেসিসতা এলাইন্স শেমখিবনি। হন্দক্কী ওইনসু পাটি, অসিগা চৎমিন্নগনি। অদুবু সেন্টরদগী মসিগী মতাংদা ফোর্মেল ওইনা লাউথোকপদি লৈত্রি। অদুবু সেন্টরগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা হিরম অসিগী মতাংদা চপ জাবা ফিরেপ অমা লাউথোরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী ইলেক্সন অদুদা এন দি পি পিনা সিট১৬ অদুগা বি জে পিনা সিট ১২ ফংখি। বি জে পি অমসুং এন দি পি পিগী এলাইন্স অসিদা এন পি পি ২, জে দি য়ু ১ অমসুং ইনিদপেন্দেন্ট ১ না মতেং পাংশিল্লক্তুনা চহী ১৫ ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা এন পি এফকী গভর্নমেন্ট ইন্থুদুনা অপুনবগী ওইবা গভর্নমেন্ট অমা শেমখিবনি। চহী অদুদা এন পি এফনা সিট ২৭ তা মায় পাকখিবনি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি অমুক হন্না বি জে পিগা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শোয়দনা লৈগনি হায়রি।

## অসামগী লেদি কোপ জুনমোনি রাভা পুলিসনা ফাজিনখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ০৪ (এজেন্সি): মমাং থাগী অঙনবা শরুক্তা মশাগা লুহোংগদৌরিবা বোর অমবু অরানবা থবক তৌরম্মী হায়বগীদমক মশামক্না ফাবা ঙমখিবগী থৌনা ফবি লেদি কোপ হায়না মীয়াম্না খঙনখিবি অসাম পুলিসকী এস আই জুনমোনি রাভা ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি অমদি অতোপ্পা কেস খরগা মরী লৈননা অসাম পুলসিনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

রাম অবাত্রা অমসুং অজিৎ বোরা কৌবা কন্ট্রেক্টর অনীনা নুপী পুলিস অসিগী মথক্তা শেঙ্গা থুমজা, ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি অমসুং অতোপ্পা কেস খরগা মরী লৈননা চার্জ তৌরকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরকখিবা কেসশিং অদুগা মরী লৈননা মহাক ঙসি নগাউনদগী পুলিস টিম অমনা ফাখিবনি।

পনবা য়াবদি ষ্টেট অসিগী এম এল এ অমনা মহাক্কী ফাদুনা লৈরিবা মীওইশিং থাদোকউ হায়বা য়াখিদবা অমদি অচুম্বা তৌই হায়দুনা মহাকপু মীয়াম্না ইকাইখুম্নখিবনি।

## CROSSWORD-3547



### ACROSS

1 Indication (4)
3 Cloudy (8)
9 Hormone secreted by the pancreas (7)
10 Despondency (5)
11 Keep away from (5)
12 Playground item (6)
14 Custodian (6)
16 Become extinct (3,3)
19 Flood, downpour (6)
21 Elite (5)
24 Exhaust (3,2)
25 Make ready (7)
26 Able to read and write (8)
27 Capri, for example (4)

### DOWN

1 Asian country (3,5)
2 Vigorous and enthusiastic enjoyment (5)
4 Disappear (6)
5 Knave (5)
6 Savoury pear-shaped fruit (7)
7 Burial place (4)
8 Solemn promise (6)
13 Wild headlong rush (8)
15 Himalayan peak (7)
17 Moved by slow degrees (6)
18 Tyrant (6)
20 Part of a shoe (5)
22 School tests (5)
23 Twofold (4)

**Solution 3546**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | R | A | D | U | A | L | | F | A | S | T | S |
| L | | B | | R | | I | | I | | O | | O |
| A | L | O | H | A | | K | I | N | S | M | A | N |
| S | | D | | N | | E | | A | | E | | A |
| S | P | E | C | I | A | L | | L | E | H | A | R |
| E | | | | U | | Y | | | | O | | |
| S | C | H | E | M | E | | S | H | O | W | E | R |
| | | A | | | | S | | A | | | | E |
| N | O | V | E | L | | P | U | N | C | H | U | P |
| A | | E | | E | | A | | D | | E | | L |
| S | T | A | R | T | E | R | | L | E | A | V | E |
| A | | G | | H | | T | | E | | R | | T |
| L | O | O | S | E | | A | B | R | I | D | G | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3946

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | | 5 | | 2 | |
| | | 8 | | | 9 | 3 | | |
| | | 4 | 3 | 2 | | | | 8 |
| | 5 | | | 9 | | 2 | | |
| | 8 | | | | | | 9 | |
| | | 1 | | 6 | | | 4 | |
| 1 | | | | 8 | 6 | 4 | | |
| | | 3 | 9 | | | 6 | | |
| | 4 | | 7 | | | 8 | | |

### Solution-3945

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 1 | 5 | 7 | 3 | 6 | 2 | 9 |
| 7 | 5 | 6 | 9 | 4 | 2 | 3 | 8 | 1 |
| 9 | 2 | 3 | 1 | 6 | 8 | 7 | 5 | 4 |
| 8 | 7 | 4 | 6 | 3 | 9 | 2 | 1 | 5 |
| 3 | 1 | 9 | 2 | 5 | 4 | 8 | 7 | 6 |
| 2 | 6 | 5 | 8 | 1 | 7 | 4 | 9 | 3 |
| 1 | 3 | 7 | 4 | 8 | 5 | 9 | 6 | 2 |
| 6 | 9 | 8 | 3 | 2 | 1 | 5 | 4 | 7 |
| 5 | 4 | 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 8 |

## EMPLOYMENT NEWS

### NATIONAL SPORTS UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR SECTION OFFICER,

National Sports University Section Officer, Private Secretary, Physiotherapist Recruitment 2022: Advertisement for the post of Section Officer, Private Secretary, Physiotherapist in National Sports University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 20 June 2022. Candidates can check the latest National Sports University Recruitment 2022 Section Officer, Private Secretary, Physiotherapist Vacancy 2022 details and apply online at the www.nsu.ac.in recruitment 2022 page.

National Sports University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.nsu.ac.in. National Sports University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of www.nsu.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.

Vacancy Circular No:
National Sports University
invites applications for recruitment of Section Officer, Private Secretary, Physiotherapist
Section Officer, Private Secretary, Physiotherapist
Job Location:
2nd floor Olympic Bhawan
Khuman Lampak Sports Complex, Imphal,795001 Manipur
Last Date: 20 June 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 3 Posts
National Sports University
National Sports University Recruitment 2022 Details
Company National Sports University

| | |
|---|---|
| Organization | National Sports University Recruitment 2022 |
| Total Vacancy | 3 Posts |
| Job Location | Imphal |
| Last Date to Apply | 20 Jun, 2022 |
| Official Website | nsu.ac.in |

| S.No | Post Name |
|---|---|
| 1 | Section Officer |
| 2 | Private Secretary |
| 3 | Physiotherapist |

Educational Qualification:
National Sports University Recruitment 2022 Vacancy details along with other information related to National Sports University Recruitment 2022 are given here. The National Sports University Recruitment 2022 vacancy is 3.
Pay Scale:
INR
NA
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
Important Dates:
Published on: 30 May 2022
Last date for application is: 20 June 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### MANIPUR UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR GUEST FACULTY

Manipur University Guest Faculty Recruitment 2022: Advertisement for the post of Guest Faculty in Manipur University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 16 June 2022. Candidates can check the latest Manipur University Recruitment 2022 Guest Faculty Vacancy 2022 details and apply online at the manipuruniv.ac.in/ recruitment 2022 page.

Manipur University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ manipuruniv.ac.in/. Manipur University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of manipuruniv.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.

Vacancy Circular No:
Manipur University
invites applications for recruitment of Guest Faculty
Guest Faculty
Job Location:
Canchipur, Imphal, 795003 Manipur
Last Date: 16 June 2022
Employment Type: Full Time

| | |
|---|---|
| Total Vacancy | 1 Posts |
| Salary | Rs.50,000 - Rs.50,000 Per Month |
| Job Location | Imphal |
| Walkin Date | 16 June 2022 |
| Official Website | en.manipuruniv.ac.in |

Educational Qualification:
Skills / Eligibility
Only the candidates who meet the minimum qualifications are eligible to apply for the Guest Faculty vacancies. The qualification for Manipur University Recruitment 2022 is M.Com, M.E/M.Tech, MBA/PGDM, M.Phil/Ph.D. After reviewing the qualifications required for the Manipur University recruitment 2022, you may move on to the next step of determining how to apply for the position and submitting your application before the deadline.
Pay Scale: INR Rs.50,000 - Rs.50,000 Per Month
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/ walkin interview. Candidates will be shortlisted based on the given criteria.
How to Apply:
Candidates who wish to join in Manipur University can walkin for the interview on 16/06/2022. The complete walkin process for Manipur University Recruitment 2022 will be available on the official notification.
Important Dates:
Published on: 03 June 2022
Last date for application is: 16 June 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

